# মণিপুর উমংলাই ঈরাৎ থৌনিরোলদা ককচীংদা লাৎলিবা ইবুধৌ ঈরুম নিংথৌ

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

উমংলাই কয়ানা থৌগল্লিবা মণিপুরনি। উমংলাই মাপন লৈরম্বদগী লেপ্পুবা মতমগী খোঙচৎতা মীশিং য়ামখৎলকপা, য়ূম্নাক শাগৈ চাওথোরকপা লোয়ননা মীওই ফুরুপ, লৈবাক খুন্নাইগী য়াইফনবা তৌবীরম্বা লাইনিংথৌ কয়াবু উমংলাইগী থাক্তা থমদুনা ঈরাৎ থৌনিজবা, হরাউবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা উমংলাই মশীং হেনগৎলকই। ককচীংদা লাৎনরিবা মতিক ময়াই লৈবা উমংলাইশিং - ইবুধৌ খল্লাংবা, ঈথক নিংথৌ, নাউহল্লাই, সেংমাই নিংথৌনচিংবগী মরক্তা ইবুধৌ ঈরুম নিংথৌসু মরু ওইবা লাইনিংথৌ অমনি। লাইনিংথৌ অসি থৌজাল হৈবা মীয়োক মীচান ফবা তাইবঙ জিববু ঙাকপী শেনবীরি হায়না থাজনৈ। ককচীংগী অহল লমনশিংনা লীবিরম্বা ৱারীনি, ***“কনাগুম্বা অমনা অমম অথেংবদা চৎপদা অকি তুজুংবা ফাওরকপা মতাং লাকই। মতমদুদা খুরুম ফিনাৎ তোংবা ইবুধৌ ঈরুম নিংথৌনা অহল অমগী শক্তম লৌদুনা মাঙদা চৎলি। মদুনা চৎলিবা মীওই অদুদা অকিবা ফাওহন্দে।”*** অতোপ্পা ৱারী ময়াম অমসু লৈ। মতম অমদা পাখংশিংনা নুমিদাংদা মা মাগী মবুক্লিংনা খোয়দাজবা লৈশাবীশিংগী য়ূমদা মখোয় অনী অহুম হৌনরগা কোয়বা চৎনরম্মী। মতমদুদদি থাবল মঙাল নত্তনা লম্বী লমহাংগী অমম্বা কোকহন্নবা মঙাল পীবা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈরম্বা নত্তে। থানিল মতুং থা শিথরকপা মতমদদি লৈরক কোন্সাংশিংসে পুম্মম মম্বজাৎনি। উ-ৱা ময়াম অমনসু ইশুক শুকহনবনি। নুমিদাংদা নোংথী নোংমংবদা তম্নলাইনা তম্লৈ, নূংজেং চাইবী থোকই, লাইমু থোকই হায়না কিনবদু ঐখোয়সু থেংনরকখি। লমদাগী থাংজ অহানবদা লাইয়োম (শরোই ঙারোই) তিল্লি হায়দুনা কিনবদুদি মহানি, নুমিৎ হেক তাখিবগা মপান থোকপা ঙম্বজাৎ নত্তে। ককচীংদা উরোকথোং অমা হৌজিক ফাওবা লৈরি। তুরেল ৱাংউ হায়না খঙনবা লৈকায় অসিদা চৎকে হায়রবদি থোং অসি লাল্লগা চৎনরম্মী। তুরেল মপান অদুৱাইদু উ-ৱা মরাং কায়না হৌবা মরম্না য়াম্না শুকপা উমংগা পাংখক ওইরম্মী। তুরেল ৱাংমগী লৈশাবীশিংবু খোয়দাজবা অতোপ্পা লৈকায়গী পাখংশিংনা নুমিদাংদা কোয়বা চৎলি হায়। ৱারী ৱাতাই শানবদা থেংদোকখিবা তাঞ্জাসু য়াওবজাৎনি। মখোয়না য়ূমদা হল্লকপদা লাইনিংথৌনা অহল অমগী শক্তমদা লমজিংবীদুনা অকিবা ফাওহনখিদে হায়। তৌববুদি থোংখোংগী অৱাং ওইরপ্না ইবুধৌগী লাইকোন লৈ। লাইবুং অসিদা কুম খুদিংগী হরাওবগী থৌরম পাঙথোকই। বর্মা-শুগ্নু রোদতা লৈরিবা ঈরুম থোং লাম্থোকপা মতমদা ঙমজবা পৈশা খরা ঈরুম তুরেলদা কৎচবগী থৌওং অসি মমাঙঙৈদগী চথুদুনা লাকই। ঈরুম তুরেল মরীলদা অমাং অশোয় তৌশিনবা য়াদে হায়না অহল লমনশিংনা তাকপীরম্মী।

ঈরুম তুরেল মরীলগী অকোয়বদা লৈরিবা লৌবুক লমহাং, অয়াঙবুং অমদি অতোপ্পা মফম কয়াবু ইবুধৌনা কোনবা মফমনি হায়না থাজনৈ। পিপল'স ম্যুজিয়ম ককচীংগী খুরাইবুংঙো ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রনা হায়বীরকপগী মতুংইন্না শরেংনা ইম্ফাল তুরেলদগী হাইগৎলক্লগা ঈরুম তুরেলগী অথেনবা মফমদা মচা পোকই। ঙাসেপ্পচিংবা ঙা ময়াম্না মতুংদা ইন্নদুনা শরেংনা লাক্লবদি ইবুধৌ ঈরুম নিংথৌ অমদি মনাই কুম্বীতাবনা মরোয় মনাইশিংগা লোয়ননা লাকই হায়না থাজনৈ। থাজনবীদা মনাই কুম্বীতাববু খরা শাথীবনি হায়না লৌনৈ। ময়াম্না হায়নবা ৱাহৈনি ***“ঈরুম নিংথৌদি লায়বনি মনাই কুম্বী তাবনা লুবনি।”*** পাউরৌ অসিবু মনুং হঞ্জিন্না য়েংলবদি লাইনিংথৌ অসিগী মতিক ময়াই অসি কুম্বী ফাওবা শনৈ দাক্লম্বগী ওইথোকপা লৈ। লৈখিদ্রবা ইপল ইবুংঙো নোংমাইথেম মনাওয়াইমনা ***উমংলাই লাই খুন্দা (২৫/২৬)*** দা থম্বীরম্বা ৱাফমগী মতুংইন্না ককচীংদা নোংমাইথেম শাগৈগী পিবানা লাইনিংথৌ অসিগী লাইশঙবা ওইবগা লোয়ননা লমদম অসিদা খুন্দারিবা শাগৈ তরানিথোইগী নিংঙোল পিবা য়াওনা হরাউবগী থৌরম পাঙথোকই। অদুবু লাই হরাউবা নত্তবা অতোপ্পা ঈরাৎ থৌনি থৌরমশিংদদি নোংমাইথেম শাগৈখক্তমক য়াওই হায়বগী ৱাফমসু থম্বীরম্মী। লাইনিংথৌ অসি মখা য়ৈবা কাংজৈরোয় অমা ওইনসু শীংথারি। মদুগীসু মথক্তা মায়কৈ ঙাকপা লাই নিপানগী মনুংদা ইবুধৌ ঈরুম নিংথৌনা খা মৈরম ঙাকপা লাইনি হায়বগী ৱাফমসু থম্বীরি। অসুম্না হয়িচক্তগী লৈরক্লবা লাইনি হায়না থাজনরিবা লাইনিংথৌ অসিগী পোংলেনহনবা, পোংলেনখোম্বা, তাও মরাংবা, তারাওবা হায়বনচিংবা অতোপ্পা মিংলেনশিং লৈরম্বগী মতাংসু পল্লি।

লাইনিংথৌ অসিগী থেলোন্দা অসুম্না শৈথারি, ***“গুরু লাইনিংথৌ ঈরুম নিংথৌ/লমাবা/হৈরেম লমঙাকপা, খুঞ্জান/লমসেনবা/হৈরেমনা পুঙ মথক্তা/পুঙমা থোনবা/খুঞ্জান্না থেনমথক্তা থেনমা থেৎপবু হৈরেম লমঙাক্লকপা/খুঞ্জান লমসেল্লকপা লাইনিংথৌ/তুবী চীনা হেনবা, লাইরেন লুনা ৱাংবা/ইবুংঙো ইবেম্মা ঙাংলৌ খুয়াখাদা/হৈকৎ লৈকৎ তমজরিয়ে লৌবীয়ু।”*** থেলোন অসিগী মতুংইন্না অঙনবা মতমদা ককচীং খুমনগী কেরেচীংদা কোনুং ওইদুনা খূৎকন পাঙ্গন্না পাল্লম্বা হৈরেম খুঞ্জানগী খুন শেমগৎপীরম্বগা লোয়ননা লমদম অসিবু ঙাকপী শেনবীরম্বা মরু ওইবা লাইনিংথৌ ওইরম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। ককচীংনা করম্বা মতমদগী লাইনিংথৌ অসিবু লাৎচবা হৌখিবগে হায়বগী মতাংদা চপ চাবা কুমশিং পুথোকপা ঙমদ্রবসু মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা থৌবালদগী কেরেচীংদা হোংলকখিবা ককচীংদা হৈরেম খুঞ্জান অয়াম্বা তিনশিনখিবগা লোয়ননা খুনফম অসিবু শেমগৎপীরম্বা অমদি ঙাকপী শেনবীরিবা লাইনি হায়না থাজনরিবা লাইনিংথৌ ঈরুম নিংথৌ অসি উমংলাই ওইনা লীশাং শীৎনা ঙসি ফাওবা লাত্তুনা লাক্লিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মতৌ অসুম্না মণিপুরদা খুন্দারম্বা অরিবা কাঙলূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হৈরেম খুঞ্জান্না লাৎচরম্বা লাইনিংথৌ ঈরুম নিংথৌ অসি ককচীংগীসু মরু ওইবা উমংলাই অমা ওইরি। অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্বা মতুংইন্না করিগুম্বা শা-লান থোক্তুনা লাঞ্জেন্নবদা অতোপ্পা উমংলাইদি পুরগা চৎপা য়ারবসু ঈরুম নিংথৌদি পুবা য়াদে হায়বগী ৱাফমসু লৈ। লৈখিদ্রবা পন্দিট নোংমাইথেম মনাওয়াইমনা থম্বীরম্বা ৱারীনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওনা ককচীং য়ৌরকপা মতমদা খুঞ্জাশিংনা লাই কয়াগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নরম্মী। অদুবু ইবুধৌ ঈরুম নিংথৌ লাইকোন লাইশংবী কমলা দেবীনা লাইকোন্দা চঙলগা কপ্তুনা লৈরম্মী। মাগী মতৌ উবদা ইমুং মনুং অমদি অতোপ্পা মীওই খরদি লাঞ্জেনবা য়াওখিদে। মতৌ অসুম্না হৈরেম খুঞ্জান অমদি ককচীং ফুরুপকী লাইনীং লাইচৎ, খুনশেন্নোন অমদি পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ইবুধৌ ঈরুম নিংথৌনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট মাপনদা মীওই ১০৮১ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপী-অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ১০৮১ রোম অপূনবা ফ্লাইট মাপননা পুরক্তুনা ইম্ফালগী বিরটিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখ্রে।

ঙসিগী ওইনা এয়রপোর্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ফ্লাইটশিংনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈবা এয়রপোর্টশিংদগী পুশিল্লকখিবা পেসেঞ্জরশিং অদুদি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা ইন্দিগো ফ্লাসট নম্বর - ৬ই ৪৫৭ অসিনা নুপী-অঙাং য়াওনা ১৪২ রোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

অয়ুক্কী পুং ১০.৩৮ রোম তারকপদনা দেল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪৩ রোম এয়র এসিয়াগী ফ্লাইট নম্বর আই ৫৭৮৩দা পুরকখি। অদুগা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং ১২.৪১ রোম তাবা মতমদা ইন্দিগোগী ফ্লাইট নম্বর ৬ ই- ২০১৯ অসিনা দেল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩৩ রোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। লোয়ননা নুমীৎয়ুংবা মতুং ১২.৪৫ তাবা মতমদনা অতোপ্পা ইন্দিগোগী ফ্লাইট নম্বর ৬ই ৩৮৫ অসিনা অগরটলাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪৭ রোম পুদুনা লাকখি।

নুমীৎয়ুংবা মতুং ১২.৫০ রোম তাবা মতমদসু ইন্দিগোগী ফ্লাইট নম্বর- ৬ই ৬৩২৩ অসিনা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ১৬৬ রোম পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০ তাবা মতমদা ইন্দিগোগী ফ্লাইট নম্বর- ৬ ই ৬২৪১ অসিনা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৬৮ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিলগী পুং ২.২৫তাবা মতমদনা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাসট নম্বর- এ আই ৮৮৯ অসিনা দেল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৩ রোম পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

নুংথিলগী পুং ২.৫০ রোম তারকপা মতম ফাওবদসু ইন্দিগোগী ফ্লাইট নম্বর- ৬ ই ৮৫৩ অসিনা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩১ রোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ৩.১০ রোম তাবা মতমদনা এয়র ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা এয়রপোর্টশিং ফাওদুনা লাকখিবা কনেক্টিং ফ্লাইট নম্বর - ৯৮৭৪১ অসিনা কোলকাটা, গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫৮ রোম ইম্ফালদা পুরকখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইম্ফাল এয়রপোর্টতা ফ্লাইটশিংগী খূথাংদা ষ্টেট অসিদা লাকখিবা পেসেঞ্জরশিংগী মশীং হান্নদি য়াম্না হন্থবা চাং ওইরমখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লিবনি।

## গাড়ি এক্সিদেন্টদা মমা-মচা য়াওনা অহুম শিরে, অহুম শোক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা গ্যুটে রোদতা লাকপা টাটা দিপর অমা সিংহাৎকী সী আর পি এফকী কেম্প মনাক্তা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মমা-মচা য়াওনা মীওই অহুম শিরে, অহুমনা শোক্লে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুগী মনুংদা অমনা গাড়ি থৌরকপা দ্রাইভরনি অদুগা অনী অমনা মমা-মচানি। টাটা দিপর অদুদা তোংলকপা মীওই অহুম অমনা শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না চুরচান্দপুরদগী গ্যুটেরোমদা লাকপা টাটা দিপর অদুনা সিংহাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সী আর পি এফ কেম্প মনাক য়ৌরকপদা লম্বী ফৎতবগী গাড়ি অদুনা থৈনবা হোৎনবদা লোকতা ওন্থদুনা গাড়ি অদুদা তোংলকপা দ্রাইভর য়াওনা মীওই অহুম অদু লৈখিদবনি।

লৈখিদ্রবা মমা-মচা অনী অদুনা চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা শোংতন খুন্দগীনি হায়রি। অদুগা লৈখিদ্রবা গাড়ি দ্রাইভর অমদি মমা-মচাগী লৈফম অমদি মমিং মথা খঙবা ঙমদ্রি। গাড়ি অদুগী মপুনা বুংখুম কৌই হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা সিংহাৎ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থীজিনবগী থবক চৎথরি। লৈখিদ্রবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

## পুলিসনা মীওই ২৫০ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিবু থিংনবগীদমক লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা চৎন-কাংলোনশিং লাওথোক্লগসু মদুবু থওইদদুনা থোরকপা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চৎথবদা মীওই ২৫০ রোম দিটেন্দ তৌখ্রে।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবগীদমক লৈঙাক্লা লাওথোকখিবগী মতুংইন্না য়ুমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্পুবা অমদি মীয়াম পুনবা মফমদা চঙবদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং ঙসি পুলিস দিপার্টমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দ্রাইভ চৎথবদা মীওই ২৫০ অদু ফাদুনা দিটেন তৌখিবনি। দিটেন তৌখ্রবা মীওইশিংদা মখা তানা অসিগুম্বা অরানবা থবকশিং অসি তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখ্রে। লোয়ননা মখোয়দগী লুপা ৩৩,২৫০ রোম ফাইল ওইনা খোমগৎখি হায়রি।

ঙসি পুলিসনা ফাগৎতুনা দিটেন তৌখিবা মীওই ২৫০ অদুগী মনুংদা মীওই ২৭ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফাবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মীওই ১ ফাখি। থৌবাল পুলিস দিষ্ট্রিক্টনা ১৬৪ ফাগৎখি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১০, বিষ্ণুপুর পুলিসনা ১৩, চুরচান্দপুর পুলিসনা ১৮ অমদি জিরিবাম পুলিসনা ১৬ ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

## লম্লাই পুলিসকী থৌওংদা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): লৈমখোঙ মপালগী গার্দেন শাবদা য়াওবা রিক্সো দ্রাইভর থোকচোম কিরনকুমারবু মহাক্না লৈমিন্নবা মীওই খরনা তমথিনা ফূরগা থাদোরকখিবগী থৌওং অদুবু ওল মণিপুর রিক্সো দ্রাইভর্স এন্দ পুল্লর্স এসোসিএসননা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা লম্লাই পুলিসনা এক্সন অমত্তা লৌখত্তনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা হীরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শরুক য়াখিবা থোকচোম বসন্তনা ফোঙদোরকখিবদা থোকচোম কিরনকুমার রিক্সো থৌদুনা হিংলম্বা মীওইনি। মহাক্কী রিক্সো অদু মফম খঙদনা মাঙখিবদগী তঙায় ফদনা মহাক লৈমখোং মপালগী গার্দেন শেম্বা য়াওনবগীদমক চৎখিবনি।

হৌখিবা চহীগী নভেম্বর ৭তা মহাক্না থবক শুমিন্নবা মীওই খরনা কিরনকুমারবু তমথিনা ফূবদা নত্তনা নভেম্বর ১৫ ফাওবা চাক পীজদনা থবক শুহনখি। মদুগী মতুং নুমিৎ অদুমক্তদা কিরনকুমারগী ইমুং মনুংগী মীওইদা মহাকপু লৌরনবা ফোন তৌদুনা খঙহল্লকখি।

থবক শুমিন্নরিবা মীওইশিং অদুনা কিরনকুমার পুথোরকপা মতমদা শুপ্পতগী খোঙ্গাও হাফপেন্ট অমগা মুজাফুরিৎ অমগা লীৎলকখি। নীংথম থাগী ঈংখ্রবা মতম অসিদা মহাক্কী ওইরল্লিবা ফিভম অদুদা মহাক্কী লোয়নবীনা কপ্তুনা করি মরমগীদমক মহাকপু মপুরোয়ববু ফূরিবনো হায়না হংলুবদা মহাকপু থিন্দোরক্লিবা মীওইশিং অদুনা কিরনকুমার য়ু ঙাওরগা তুশিনবদগী মহাক্কী ফিভম শোকখিবনি হায়না খুল্লমখি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌবা মতমদা মথৌ তৌরল্লিবা পুলিস পর্সনলশিং অদুনা এফ আই আর অমা লোদজ তৌবগী মহুত্তা ভিক্টিমগী ইমুং মনুংদা ওনশিন্দুনা ফজদবা ৱাহৈ কয়া শীজিন্নরকপগা লোয়ননা কিরনকুমার মহাক্না লৈমিন্নবা কাঙবুনা ফূরকপনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অদু নখোয় উহৌব্রা হায়না হংলকখি হায়রি।

লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা মথৌ তৌরল্লিবা পুলিস পর্সনলশিংগী চেকশিন্দবা থৌওং অদুগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে অমদি নুমিত্তুদা দ্যুটি তৌরল্লিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে হায়না বসন্তনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ অদুদা মথৌ তৌরল্লিবা পুলিস পর্সনলশিং অদু য়ুনিফোর্ম অমত্তা শেৎলমখিদে। মসিমক পুলিস দিপার্টমেন্টকী ওইনদি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি। মরম অদুনা মরাল লৈবা পুলিস পর্সনলশিং অমদি কিরনকুমার ফূবদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়না মরী লৈনবশিংদা তকশিনখিবগা লোয়ননা হায়রিবশিং অসি অথুবদা থবক ওইনা পায়খৎলক্রবদি ওল মণিপুর রিক্সো দ্রাইভর্স এন্দ পুল্লর্স এসোসিএসননা লমদম অসিগী সী এস ও কয়াগা খূৎশম্নদুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি। কিরনকুমারনা থবক শুবা য়াওরুরিবা লৈমখোং মপালগী গার্দেনসু মতম চুপ্পগী ওইনা থিংজিল্লে হায়খি।

# IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 46/SDC/IW/P/2021**

(1) Shri Adhikarimayum Norendro Sharma S/o (L) A. Ramananda Sharma of Brahmapur Aribam Leikai. (2) -do- Sarat Kumar Sharma S/o (L) A. Madhumangol Sharma of -do- (3) -do- Shantikishor Sharma S/o (L) -do- of -do- (4) -do- Dorendra Sharma S/o (L) -do- of -do- (5) -do- Jayentakumar Sharma S/o (L) A. Bijoy Sharma of -do- (6) Smt. -do- (O) Manishang Devi W/o (L) A. Gopal Sharma of -do- (7) -do- Rajen Sharma S/o (L) A Bijoy Sharma of -do- (8) -do- Devakishor Sharma S/o (L) -do- of -do- (9) -do- Surjakumar Sharma S/o (L) -do- of -do- (10) -do- Brajakumar Sharma S/o (L) -do- of -do- ...*Petitioners*

-V/S-

(1) Late Adhikarimayum Madhumangol Sharma S/o (L) Brajamohon Sharma of Brahmapur Aribam Leikai (2) Late Adhikarimayum Bijoy Sharma S/o (L) -do- of -do- ...Opp. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 18/01/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ ও পাৎশোইগী খুল নং ৭৮ - চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নং ১৪৮ (অরিবা), ৮ (অনৌবা) গী দাগ নং ৪৮৩, ৬৫, ৪২১, ১০৫২গী ০.৮০ + ০.৭৬ + ০.৭০ + ০.৭৭ = ৩০৩০০ একর চাওবা অঙনফৌ অমসুং ফৌরেন লৌফম অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বর্ত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, (দংকারি নং ১না দাগ নং ৪২১, নং ৪না দাগ নং ৪৮৩, নং ৫দগী ১০ ফাওবনা দাগ নং ১০৫২ অমসুং নং ১দগী ১০ ফাওবনা দাগ নং ৬৫গী লমশিং) মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৮/০১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

HL-P/8609/19 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

# IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 25/SDC/NBL of 2021**

Naorem Gambhir Singh S/o (L) N. Mohon Singh of Naorem -*Petitioner*

-Vrs-

(L) Oinam Bora Singh S/o (L) O. Bokul Singh of Naorem -P.O.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 18/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22 - Naorem Patta No. 22/96 (New), Dag No. 0.1106, an area of 0.38 of Anganphou Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8607/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

# IN THE COURT OF CHIEF JUDICIAL MAGISTRATE, THOUBAL

Cril. (P) Case No. 2 of 2019
Ref. FIR No. 95 (7) 2018 KCG-PS U/s
366-B/370/120-B/34 IPC & 14 Foreigner Act, 1946

**Proclamation**

**Requiring the appearance of a person accused**

(Section 82 of the code of criminal procedure)

Whereas, complaint/petition has been made before me that **Md. Tomba @ Hefajur @ Hepjur** aged 22 S/o Md. Noor Rahman of Lilong Mairenkhul I.T.I road, PO/PS-Lilong, District - Thoubal, Manipur has committed/or is suspected to have committed the offence punishable under section 366-B/370/120-B/34 IPC & 14 Foreigner Act. 1946 and it has been returned to a warrant of arrest there upon issued that the said accused cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said accused has absconded/or is concealing himself to avoid the service of the said warrant. Proclamation is hereby made that the said that **Md. Tomba @ Hafajur @ Hepjur** aged 22 S/o md. Noor Rahman of Lilong Mairenkhul I.T.I road, PO/PS-Lilong, District - Thoubal is required to appear at CJM/Thoubal before this court to answer the said complaint on the 6th February, 2021 or not latter than 30 days from the date of publication of this proclamation.

Dated, this 4th day of Jan, 2021.

HL-B/6714/19 *Sd/-* CHIEF JUDICIAL MAGISTRATE, THOUBAL

# IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 23/SDC/NBL of 2021**

Chanam Inaoton Singh S/o (L) Ch. Chaoba Singh of Balaramkhul -*Petitioner*

-Vrs-

(L) Chanam Chaoba Singh S/o (L) Ch. Tombi Singh of Kabowakching. -P.O.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 18/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 25 - Kabowakching Patta No. 25/19 (Old), 25/114/722 (New), Dag No. 1048/P, an area of 0.152 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8607/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

# IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 49/SDC/IW/P/2021 Dt. 18/1/2021**

(1) Shri Chongtham Nehru Singh S/o (L) Nityai Singh of Changangei Mayai Leikai.
(2) Ngasepam Arun Singh S/o (L) Dharma Singh of Taobungkhok Awang Leikai.
(3) -do- Ajit Singh S/o (L) -do- of -do- *Petitioners*

-Vrs-

(1) Late Shri Ngasepam Dharma Singh S/o (Late) Bheiga Singh of Taobungkhok. (2) Ngasepam Rajen Singh S/o (L) Dharma Singh of -do- O.P. Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 18/01/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮১ - তাওবুংখোক্কী পাট্টা নং ১১৬ (অরিবা), ১৩৭ (অনৌবা) গী দাগ নং ৫৫৬কী পোইন্ট ০.৯৭ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বর্ত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৭/০১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

HL-P/8609/19 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

# IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 24/SDC/NBL of 2021**

(1) Pukhrambam Dhanabati Devi W/o (L) Konsam Singhajit Singh of Nambol Awang Leikai.
(2) Konsam Dhanashree D/o (L) -do- of -do-
(3) Konsam Joyshree D/o (L) -do- of -do- -*Petitioners*

-Vrs-

(L) Konsam Singhajit Singh S/o (L) K. Ibomcha Singh of Nambol Awang Leikai. -P.O.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 18/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 19 - Nambol Awang & 24- Balaramkhul Patta No. 19/58/237 (N) & 24/33/421 (New), Dag No. 54/P & 371/A, an area of 0.06 & 0.75 acre of Ingkhol & Phourel Class হায়রিবা ইঙ্খোল অমদি ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অমদি ফৌরেল লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8607/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

# IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 47/SDC/IW/P/2021**

Smt. Meitram (N) Khongbantabam (O) Ibemcha Devi W/o Kh. Moirangningthou Singh of Patsoi Part - III ...*Petitioner*

-V/S-

(Late) Meitram Ibobi Singh F/o Meitram (N) Khongbantabam (O) Ibemcha Devi of Patsoi Part - III ...Opp. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 18/01/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি ঈ ও ২২৯৬কী ০.৭০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ৩ অসি মৃত ওইখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বর্তনি হায়দুনা মপাগী শরুক্তা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৫/০১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

HL-P/8609/19 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

# IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 55/AS & SO/K dt. 12/01/2021**

Khumukcham Kesho Singh S/o Kappa Singh of Kakching Mayai Leikai.

-Vs-

-do- Kappa Singh S/o (L) Chaoba Singh of Kakching Khullel.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 12-1-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুন নং ৫৮-ককচীং খুলেন পাট্টা নং ৪০২/১৫ (অনৌবা), দাগ নং ৩৪১, এরিয়া ০.১১ হেক্টর ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার খুমুকচম কপ্পা সিংহ পী: মৃ: চাওবা সিংহ সাং ককচীং খুল্লেন অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-B/6714/19 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

# IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 62/AS & SO/K dt. 14/01/2021**

Yengkhom Jamini Devi W/o (L) Subol Singh of Kakching Sumak Leikai.

-Vs-

-do- Subol Singh S/o (L) Chaoba Singh of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 14-1-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুন নং ৫৯-ককচীং খুলেন পাট্টা নং (N) ৯০৩ (অনৌবা), দাগ নং ২৬৮ Q ২৭২/pt এরিয়া ০.৬২ Q ১.০১ ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার য়েংখোম শুবোল সিংহ পী: মৃ: চাওবা সিংহ সাং ককচীং শুমাক লৈকায় অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-B/6714/19 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।